মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্টোরি দিপার্টমেন্টকী হান্নগী প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা ইবা ‘হায়লেন্দরস থ্রু দি এজেস ওফ মণিপুর’ কৌবা কম্পোজিৎ হিষ্টোরিগী লাইরিক অমা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা রিলিজ তৌখিবা

লামায় ৪

হ্বিল চ্যের বাস্কেট বোল এসোসিয়সন, মণিপুরগী চ্যেরমেন দা. থোকচোম চন্দ্রমনিনা ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর দা. এস মাইপাকতা হ্বিল চ্যের অনী খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৪

স্কাই হোস্পিটালগী কন্ফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা হোস্পিটাল অসিনা হিলিং লিটল হার্ট স্পেসিএলিষ্ট তরাগা লোয়ননা অঙাংশিংগী ফ্রী হার্টসর্জরি কেম্প পাঙথোক্লগনি হায়দুনা লাউথোকখিবা

FREE CHILDREN HEART SURGE
4th to 10th April, 2021
Venue - SKY Hospital, RIMS Roa

লামায় ৩

লিগেল দোকুমেন্টশিং য়াওদনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ লান্না পুশিল্লকখিবনি হায়বা লুপা লাখ ৭.৭ রোমগী সুপারি কিলোগ্রাম ১৪০০ অসাম রাইফলসনা থা অসিগী ১৯দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু সোংয়াং ভিলেজদগী ফাগৎখিবা

লামায় ২

নুমিৎ ৫নি চথুগদবা আর্ট এগজিবিসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি (এম এস কে এ), ইম্ফালনা শীন্দুনা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ৪০রকশুরকপা ষ্টেট আর্ট এগজিবিসন ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আর্ট গেল্লরিদা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথুগদবা এগজিবিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট ৩৩না পুথোকপা পেন্টিং, স্কলপচর, গ্রাফিক্স, দ্রোয়িং অমদি আর্ট ৱর্ক অনী য়াওনা পূন্না প্রদক্ট ২৯ এগজিবিসন অসিনা মীয়ামদা উৎকদৌরি।

ষ্টেট আর্ট এগজিবিসন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়, সিনিয়র আর্টিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী এৱার্দি এ জয়চন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অসিদা স্পেসল ইনভাইটিশিংগী মনুংদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুলাগী সেক্রেটরি বোবি ৱাইখোম অমদি সজিৎ রহমন য়াওখি।

থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কম্মিস্নর এম জয়না হায়, ঙসিদগী হৌদোক্লিবা এগজিবিসন অসি য়েংলুবদা মণিপুর সোসাইটি অসিদা সোসল, কলচরেল অমদি পোলিটিকেলগী ফীভমশিং অসিদা হিংলিবা পুন্সি মহিং, চৎলিবা লিচৎ শাজৎ অমদি থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং ফোঙদোকপগী মমি তাবা উই। তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা মাগী মাগী পূক্লিংদা ফাওরিবা মখোয়না পোক্লকপদগী অমসুং ৱাখল তারকপদগী ঙসি ফাওবদা ফাওরিবশিং অদু হান্না লৈরম্বা মতমদুদগী হৌজিক্কা সোসাইটি অসিদা ইম্পেক্ট কয়া পীরকপগী ফীভমশিং উৎলি। অদুবু হৌজিক্তি অহোংবা অমা লাক্লে। অহোংবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্না অফবা মায়কৈদা চেঞ্জ তৌরকহনগদবনি। মদুদা খুন্নাই অসিগী মায় পাকপা ওইগনি।

আর্টিষ্টশিংনা পীরিবা কন্ত্রিব্যুসন অসিনা ঙসিগী সোসাইটিদা অহোংবা অমা পুরক্লগা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা অচৌবা ইমপেক্ট অমা পীবিদুনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং পূম্নমক্তা অফবা ৱাখল খন্দুনা কম্পিটিটিভ ওইবা থিঙ্কিংদা মাঙ থাদুনা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা অচৌবা শরুক য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎপদা আর্টিষ্ট খক্তা নত্তনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লম্শিংদা থবক তৌরিবশিংগী অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন চঙই। মসিগী লৈরিবা পোলিটিকেল, রিলিজন অমসুং ইকোনোমিদা ওইরো, কলচরদা ওইরো, সোসাইটিগী সোসলগী মতাংদা ওইরো মসি পূম্নমক্না ফজনা য়োকখৎপীরগা অফবা মণিপুর অমা শেমগৎননবা ঐখোয় পূম্নমক্না শরুক য়ামিন্নরসি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এ জয়চন্দ্রনা পাঙথোক্লিবা আর্ট এগজিবিসন অসি য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা অমা ফাওই। মমাঙদা হৌখিবা এগজিবিসনশিংদগী ঙসিগী অসিনা য়াম্না পৱরফুল ওইবা খরসু য়াওরি। ঐখোয়গী ইচল ইবেম্মা বেবি ঙাইরাংবম্না হেন্দ গ্রেনেদ সেরফলাদা ওল্লগা য়োনখৎলকপগী আর্ট অসি মতম অসিগা য়াম্না চান্নরকপা অমনি। মরমদি ঐখোয়গী পুন্সি অসিদা বোম অসি অমুক্তা উদনা শিখিবসু অদুম য়াওরমগনি।

অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না মরাং কায়রে। ঙরাংমক্তদসু মণিপুরগী গভর্ণরগী গেটতা লংশিল্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রে। অসুম হায়না বোম অসি অসুক্কী মতিক হোংগৎলক্লে। ঐখোয়গী এৱার্দ ফংবা সৈত্যগী প্রিন্টিং মাগী দে টু দেগী লাইফতা মণিপুরদা য়াম্না চান্নরবা পেন্টিং অমা ওই। রেদ এন্দ ব্লেকসিদা য়াওরবা অমদি দ্রগকী করিগী য়াম্না ফজে। হন্দক্কী এগজিবিসন অসিদা লোইনা ফজবা থেংনৈ। মতুংদসু আর্টকী লম্দা হেন্না প্রমোট তৌনবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী। মরম অসিনা কোলেজদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা মশীং হেন্না শরুক য়াবীনবসু মহাক্না আপিল তৌখি।

প্রোফেসর জয়কুমারগী ‘হায়লেন্দরস থ্রু দি এজেস ওফ মণিপুর’ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্টোরি দিপার্টমেন্টকী হান্নগী প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা ইবা ‘হায়লেন্দরস থ্রু দি এজেস ওফ মণিপুর’ কৌবা কম্পোজিৎ হিষ্টোরি লাইরিক অমা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না রিলিজ তৌখ্রে।

থৌরম অসি কংলা মনুংদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না হায়, ঙসি কংলাগী শেংলবা লাইফমলেন অসিদা মণিপুরগী পুৱারীগী হৌরকফম ওইরিবা লাইরিক অসি ফোঙদোকপদা নুংঙাই। লাইরিক্কী মমিং থোনবসিসু অরাইবদি নত্তে। লাইরিক অসিদা চীংমীশিংগী ওইবদা রিফ্লেক্ট তৌদে, সিভিলাইজেসনদগী ওইরকই। কম্পোজিৎ হিষ্ট্রি অমা ইবদা অদুয়াওহৌদ্রে হায়বনচিংবা লাকপদা মীয়ামনা লৌগদবা থৌদাং য়াওরি। লাইরিকসিদা পনবদা ইন্দিয়ন হিষ্টোরিদা মণিপুরগী য়াওদে। য়াওরক্লিবসি ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদনি হায়খি।

করিগীনো হায়রগা মতমদুদা ঐখোয় নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লাকখিবনি। অদুনা ঐখোয় মৈতৈনা লাই খুরুম্বা চৎনবা কৌব্রুসি কনানো হায়রগদি মাউন্ট পিসাগী মচা মঙাশুবসি কৌব্রুনা ওইরম্মী। থাংজিংদগী ঐখোয় কুমথরকপনি, মসি সিভিলাইজেসননি। মরম অদুনা কম্পোজিৎ ওইবদা খরা পুথোরকপা হায়বসি কান্নবা পীগদৌরিবনি হায়খি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়না হায়, ঙসিগী ফোঙলিবা লাইরিক অসি ওজাগী চহী মতাং অসিদা কম্পোজিৎ ওইনা ফোঙদোরকপদা নুংঙাইবা ফাওই। চীংমী তম্মীগী ওইবা কম্পোজিৎ ওইবদা পুনশিল্লকুবা অমদি মাগী মাগী কলচরেল আইদেন্টিটি ঙাক্লা চৎননবা হোৎনবগী মশক উৎপা অমনি। সোসল, কলচর অমসুং পোলিটিকেল ওইবদা ইন্টরেক্সন তৌবা য়াননবনি। হন্দক কোভিদ-১৯গী লোকদাউনদা চীংমীশিংনা তম্পাক্তা পুরকপা মখোয়গীসু তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম কয়া পুখিবা মসি লল্লোন ইতিক্তা ওইরবসু তাবদা নুংঙাই। লৈরাং মখল শুনা মফম চানা লেংলবদি ফজবা ওই হায়খি।

লাইরিক অসিগী অইবা প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লাইরিক অসি ইনীংবগী ইথিল ফাওরক্লিবসি মণিপুরদা লৈরিবা লাইরিকশিংদা কম্পোজিৎ হিষ্ট্রি ওইবগী মমি তাদে হায়না খনখিবদগীনি। চীংদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা মণিপুরগী সিভিলাইজেসন প্রোসেসতা উৎপা ঙমদবা অদুগা উৎননবগী মচাকসু ফংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈ। অদুনা করম্না মখোয়গী সিভিলাইজেসনদা বেসিক ওইনা খঙবা য়াগদগে খনবদা ঐখোয়গী ফোক ত্রেদিসন্দা নীংশিংলগা ইবনি হায়খি।

হায়লেন্দরস হায়বসি ভেল্লিদা লৈবসু কৌবা য়াই। অদুবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা য়াওরিবা ফুরুপ মচা মচাশিং অসিবু সেদ্যুল ত্রাইব হায়না লৈরিবশিং অসিদা চিংশিল্লগা ইবনি। লাইরিক অসি ফরে হায়বদি নত্তে অদুবু লাইরিক অসিনা মতেং খরদি ওইগদ্রা খল্লি। মসিদা মার, তাম্বুল অমসুং কবুইনচিংবা অয়াম্বা ফুরুপশিংদি য়াওরে। মরু ওইনা লাইরিক অসিদা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা ফাওজবা, মখোয়না হায়বদু ঙাক্তনি। মসিদা লাল্লি নৎত্রগা চুম্মী হায়বগী ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়খি।

লৌবুক্কী মফম ২৮ দা লোগী ৱাংমদা য়ূম-কৈ শাজিন্নবা হোৎনরম্বশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : মণিপুর কঞ্জার্বেসন ওফ পেদ্দিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪ গী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্না লৌবুক্তা নৌনা য়ুম কৈ শাজিনবদা অথিংবা লৈনা লৈনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোইরেঙ্গৈ অহল্লুপ অমদি মন্ত্রি পুখ্রিনচিংবা এরিয়াগী মফম ২৮ দা নৌনা য়ুম কৈ শানবগী পৈশিন্দুনা লৈরম্বা পোৎ চৈশিং অমদি লেবরশিং হৈঙাং পুসিল ষ্টেটসনগী ও সিনা লুচিংবা টিম অমনা ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং অয়ুক পুঙ ১০ দগী নুংথিলগী পুঙ ৩ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা লৌবুকশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা য়ুম-কৈ শাজিন্নবা পোৎ চৈ পৈশিন্দুনা থৌরাং তৌরম্বদগী ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদুদি থবক শুবা শীন্মিশিং, মহিন্দ্র ৪০৭ এম এন ০৬টি- ১৩০২, টাটা টিপ্পর এ এস ০৪ এ সি-৭০৬৭, বোলেরো এম এন ০৬ এল-৯২০০ অমদি য়ুম-কৈ শানবা অতৈ মেটেরিয়েলশিং য়াওনা ফাগৎখিবনি হায়রি। মরক অসিদা হৈঙাং পুলিসকী টিম অমনা চপচাবা পাউ অমা ফংবদগী লুৱাংশংবম লৌবুক্তা য়ূম শানবগী পোৎচৈ পুরক্লম্বা মীওই মরি গাড়িগা কোন্ননা ফাগৎলে। মখোয়দগী জে সী বি অমা, টাটা ট্রক অহুম, মীওই ৪ অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে হায়রি।

দা. চন্দ্রমনিনা ইম্ফাল হোস্পিটালদা হ্বিল চ্যের ২ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল হোস্পিটালদা দিসএবলশিং লায়েংবা লাকপা মতমদা শীজিন্ননবা হ্বিল চ্যের অনী ঙসি হ্বিল চ্যের বাসকেট বোল এসোসিয়সন মণিপুরগী চ্যেরমেন দা. থোকচোম চন্দ্রমনিনা ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর দা. এস মাইপাকতা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসি নুংথিল হ্বিল চ্যের বাসকেট বোল এসোসিয়সন মণিপুর অমদি দিসএবল দিভলপমেন্ট এসোসিয়সন মণিপুর (দি দি এ এম) অনীনা শিন্দুনা ইম্ফাল হোস্পিটাল রিছর্স সেন্টরগী কন্ফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা হ্বিল চ্যের অনী অমদি মেদিকেল কিট য়াওনা শিন্নখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা দা. টিঐচ চন্দ্রমনিনা হায়, ইম্ফাল হোস্পিটাল অসিদা দিসএবল পর্সনশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা মফম অসিদা লাক্তুনা কোওপরেটে ফন্দদগী লায়েংবগী থবক চৎথরিবা অসিদা খুদোংচাবা লৌবিয়ু। মখা তানসু হোস্পিটাল অসিদা দিসএবল লায়েংবা লাকপা মতমদা চিংনবা লৈবিগনু। এসোসিয়সন অসিনা দিসএবলশিংগীদমক হ্বিল চ্যের অমদি অতৈপোৎলমশিংসু পীরকখিগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা দিসএবল পর্সনশিংনা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্কদগী লোন লৌবিয়ু। ইন্টরেষ্টসু লৌরোই হায়রি। হৌজিক লমদম অসিদা হান্না খুদামিন্নরম্বা তরাউ ফুরুপ অসি মশিং য়াম্না হন্থরক্লে। ফুরুপ অসি মুৎখিদনবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল হোস্পিটাল রিছর্স সেন্টর অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর দা. এস মাইপাকনা ফোঙদোকখিবদা দা. চন্দ্রমনিনা হ্বিল চ্যের অনী অমদি মেদিকেল কিট য়াওনা দিসএবলশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা পীরকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। দিসএবলশিং অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা কোপরেটে ফন্দদগী দিসএবলশিংবু নিংথিনা লায়েংলি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হোস্পিটাল অসিগী দোক্টরশিংনা ফ্রি মেদিকেল কেম্পনচিংবা পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা দি দি এ এমগী জনুসখান অমদি কিরননচিংবসু শরুক য়াখি।

একর ৭৩দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : ৱার ওন দ্রগকী মায়োক্তা হান্নদগী চৎথরক্লিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক পোপি পাম্বী য়াম্থৎতুনা মাঙহনবগী থবক মখা তানা ঙসিসু চকপিকারোং সব দিভিজনগী মনুংচন্না লৈবা থোরচম খুন অমদি ৱেষ্টর্ন চিংগী থেলগী এরিয়াদা পাকশন্না থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

ঙসি অয়ুক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি এন মধুনিমাইগী মীৎয়েং মখাদা চান্দেলগী এদিসনেল এস পি অগুষ্টিন জে খোংশাইনা লুচিংবা কাংবুনা য়াম্লবা পোপি পাম্বীশিং লোন্না থারম্বশিং অদু য়াম্থৎতুনা মাঙহনখিবনি। পোপি পাম্বী য়ানথৎপগী থবক অদুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, নাব, এন সি বি, ফার্ষ্ট এম আর, তরেৎশুবা এম আর, কে জি আই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী অমদি চকপিকারোংগী এস দি ও য়াওনা পুন্না মীওই ৮৫ রোম্না পোপি পাম্বীশিং অদু য়াম্থৎতুনা মাঙহনখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা চিংগী লমদা একর ১৯৪৭তা থারম্বা পোপি পাম্বী য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি। কম্বাইন্দ পুলিসনা চৎথরিবা দ্রাইব অসি মখা তানা লেপ্পা লৈতনা চৎথখিগনি হায়রি।

ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিনা কাউন্সিল ওনদ্রিঙৈদা ক্বাক্তা নগর পঞ্চায়ট হায়দুনা লৈরিবা মদুগী ৱার্দ নম্বর ফোরদগী কুমজা ২০০৬তা কাউন্সিল্লর ওইনা কারকপদা নত্তনা নগর পঞ্চায়ট অদুগী চ্যেরপর্সন ওইদুনা কুমজা ২০১১ ফাওবা থবক পুরমখিবা এম দি অবদুল মালিকনা ঙসি খঙহৌদনা লৈখিদবদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপর্সন মিনারজানগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। চ্যেরপর্সনগী চেরোল অসিনা হায়বদা লৈখিদ্রবা অবদুল মালিক মতম শাংনা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ক্বাক্তাগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্ট ওইরম্বগী মথক্তা লিগেল এইদ ক্লিনিক ক্বাক্তানা পেরা লিগেল ভোলন্টিয়র অমসু ওইরমখি। মহাক লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোক্তুনা ক্বাক্তা কৈথেলগী দুকানশিং মহাক্কী নামাজ জানাজা লোইদ্রিবা ফাওবা থোঙ লোনগনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 52/SDC/IW(H) 2021

1. Smt. Ngangom Pushpo Devi W/o (L) Ng Thanil Singh of Irom Meijrao Mamang Leikai.

-Vs-

Shree (Late) Ngangom Thanil Singh S/o (L) Ng Kesho Singh of Irom Meijrao.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 20/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 9 - Irom Meijrao পাট্টা নং ... (অরিবা), 269 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা), 1420 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.87000 একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েংনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২৭/০১/২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

HL-P/8632/21 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, I.W, Hiyangthang***

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 33/AS & SO/Kak dt. 18/01/2021

1) Shougaijam Nilamani Singh S/o (L) Ibungojao Singh of Kakching Wairi Thangjam Leikai.
2) -do- Boy Singh S/o Sanatomba of -do-

-Vs-

-do- Ibungojao Singh S/o (L) Kanhai Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

18-01-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচীং তহশিল খুন নং ৬২ - ককচীং ৱাইরি পাট্টা নং ৩১৪/৯০৭ (অনৌবা), দাগ নং ৩১৪৮, এরিয়া ০.১৯ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার শৌগাইজম ইবুংঙোজাও সিংহ পীং মৃ: কহ্নাই সিংহ সাং ককচীং ৱাইরি অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌররোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-B/6720/21 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

---

স্কুল ফগৎহনসি মিসন জিরিদদি ফাগি তারেঃ ৱাণি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎলকপা স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসি জিরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নেতাজি হায় স্কুলগী ওইনদি ফাগি তারে হায়না লমজিং মৈরা মণিপুরগী সেক্রেটরি অরাম্বম রাণিনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মমাঙগী পানখিবা লৈঙাকশিংগা য়েংনরুব্বদা হৌজিক্কী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হেন্নদুম অওনবা পুরকপদা, মীয়ামগী মীহুন খঙবা, খোঙজেল য়াঙনা প্রো-এক্টিভ প্রাক্টিস গভর্ণান্স পীপল ওরিয়েন্টেদ গভর্ণমেন্ট ওইদুনা চীং-তমগী ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন পুরকপা ঙম্লিবা অসিগীদমক মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু থাগৎনরি। অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা দিভলপমেন্টতা মীৎয়েং থল্লকপা মরম্না মীয়াম্নসু মতেং পাংবা হেনগৎলক্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা তোপ তোপ্পা হ্যুমেন রিসোর্ছ গ্রুম তৌবা, অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা পায়খৎলকপা মিসন অমগী মনুং চনবা গভর্ণমেন্ট স্কুল/স্কুল ফগৎহনসি মিসন পাক-শন্না চথরি। মিসন অসিগী মনুং চন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নেতাজি হায় স্কুলদগী শুপ্নতংগী আর্টস গ্রেজুয়েট টিচর অমখক্লা তাকপী তম্বীরিবা স্কুল অমদা চহী অহুমদি লায়রদনা নোংমা ফাওবা লাক্তবা ওজাশিং অসিগী মফম কন্দায়দা চৎখ্রবনো। ওর্দর থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা জে ইন্ট তৌবদি লায়রদনা নোংমা ফাওবা লাক্ত্রি। স্কুল অসিদা মতৌ অসিগুম্বা থৌওং চথুরবদি মিসন অসি মায় পাকপা ৱাগনি হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওং অসিনা জিরিদদি স্কুল ফগৎহনসি মিসন ফাগি তারে। লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি হায়বা মিসন ঊচি ৱারেপ তারে। মরম অদুনা লৈঙাক্না মথৌ মশক খঙদবা ওজাশিংবু এৱার্দ পীবগী মহুত্তা মতীক চাবা চৈরাক পীফম থোকই। নেতাজি হায় স্কুলদা জে ইন্ট ফাওবা তৌবা লাক্ত্রিবা ওজা অসিগী মথক্তা এক্সন লৈবাক মীয়াম খঙনা লৌখৎত্রগদি য়ুনিয়নগী মতেংগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref :- Mut. Case No. 55/SDC/NTK/2021

1. Thangjam Nandashyam Singh S/o Late Th. Angangjao Singh of Sunushiphai.
2. Salam (o) Kunjarani Devi W/o Salam Gyaneshwor Singh of Moirang Khoiru Leikai. ...*Petitioners*

-Vs-

Late Thangjam Angangjao Singh S/o Late Th. Senapati Singh of Sunushiphai. ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Ningthoukhong, the 20th Jan., 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 47 - Sunushiphai Village গী 1. Patta No. 231 (N), 195 (O), C.S. Dag No. 139 an area 1.39 out of 2.79 acre গী ফৌরেল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মচা নুপা অমসুং নুপী (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৭/০১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপত্তি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুগনি।

HL-P/8642/21 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref :- Mut. Case No. 285/SDC/NTK/2020

Longjam Sarju Devi W/o (L) Raju Singh of Ningthoukhong Kha Khunou. ...*Petitioner*

-Vs-

Late Longjam Raju Singh S/o (L) Singel of Ningthoukhong Kha Khunou. ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Ningthoukhong, the 16th Jan., 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong গী Patta No. 402 (O), 74 (N), C.S. Dag No. 2115 an area 0.75 acre out of 1.635 acre of Phourel অসি Pattadar মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৩/০১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপত্তি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুগনি।

HL-P/8642/21 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI

Ref :- Mut. Case No. 67/SDC/KBI/2021

(1) Telem Gouramohon Singh S/o (L) Gouramani Singh of Thangmeiband Hijam Leikai, Western Northside area 0.38
(2) Telem Shyamchandra Singh S/o T. Kala Singh of Saiton Salan Konjil area 0.35 (3) Telem Norendro Singh S/o (L) T. Gouramani Singh of Saiton Salan Konjil.

-Vrs-

(L) Telen Gouramani Singh S/o (L) T. Gourachandra Singh of Saiton Salan Konjil.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Kumbi, 19/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ১২৪ (অরিবা), ৫৮২ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৭০০৩, এরিয়া ১.২৪ একর চাউবা লম ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী মচা-মশুশিংনা মিংওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

HL-P/8635/21 ***Sd/-Sub-Deputy Collector, Kumbi***

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

Ref :- Mutation Case No. 69/SDC/IW-L/2021

Wahengbam Binodini Devi W/o (L) Nongthombam Sarat of Khwai Brahmapur Nagamapal. -Petitioner

-Vrs-

Late Nongthombam Sharatchandra Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khwai Brahmapur -OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

19/01/2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নোংথোম্বম শরতচন্দ্র সিংহ পীতা মৃত চাওবা সিংহ সাং খৱাই ব্রহ্মপুরগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৩-লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ১০৯ দাগ নং ২৬৭, ১০৩২, ১০৩৫, ১০৪৫, ১০৭০ অমসুং ১০৭১ গী এরিয়া ১.৩৩৯৫৪, ০.৮৭৪১৪, ০.৪৪৫১৬, ০.২৭১১৫, ০.৬৩৫৩৭ অমসুং ০.১৬৯৯৭গী লমশিং অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/8640/21 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref :- Mut. Case No. 39/SDC/NTK/2021

Yumnam Ramananda Singh S/o Late Y. Mangal Singh of Naranseina. ...*Petitioner*

-Vs-

Late Yumnam (o) Khambi Devi W/o Late Y. Mangal Singh of Naranseina. ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Ningthoukhong, the 19th Jan., 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 48 - Naranseina গী Patta No. 53 (O), 376 (N), C.S. Dag No. 1346 an area 0.16 acre of Ingkhol অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৬/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপত্তি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুগনি।

HL-P/8642/21 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1028/SDC/NBL of 2021

Amakcham Brajamani Singh S/o (L) A. Tomei Singh of Nambol Kongkham Mamang Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

Amakcham Naba Singh S/o Amakcham Brajamani Singh of Kongkham. -P.O.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dt. 20/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham Patta No. 377 (Old), 297 (New), Dag No. 1050 an area of 0.17 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুগ্রগনি।

HL-P/8636/21 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mut. Case No. 54/SDC/WKG of 2021 Dt. 19/01/2021

App:- (1) Santosh Chakrabaty S/o Styendra Chakrabaty of Serou. (2) Paritosh Chakrabaty S/o -do- of -do- (3) Meena Chakrabaty W/o (L) Niphu Chakrabaty of -do- (4) Doukholal Mate S/o (L) Doungam Mate of Loupi Village.

-Vs-

Opp:- (Late) Surbala Chakrabaty W/o (L) Bijoychandra Chakrabaty of Serou.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated, the 19th January, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং ৯৪ - সেরৌ পাট্টা নং ৩৬৪, দাগ নং ১৩০৪, এরিয়া ১.২১ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিশিংনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুজগনি।

HL-P/6721/21 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mut. Case No. 53/SDC/WKG of 2021

App:- (1) Kangabam Ramananda Singh S/o (L) Shamu Singh of Uripok Tourangbam Leikai. (2) -do- Indrakumar Singh S/o (L) -do- of -do-

-Vs-

Opp:- (Late) Ningthoujam (N) Kangabam (O) Ibetombi Devi W/o Shamu Singh of Uripok Tourangbam Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated, the 19th January, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং ৯০ - তোনশেল পাট্টা নং ২৮, দাগ নং ১০৪৩, এরিয়া ৩.৩৬ একর চাউবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিশিংনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুজগনি।

HL-P/6721/21 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**